ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯅꯣꯚꯦꯝꯕꯔ ꯲꯲, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯶ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯳꯳ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

লৈবাকপোকপা, নবেম্বর ২২, ২০২২, ইম্ফাল

৪৬শুবা চহী, ২৩৩শুবা মশীং

## ৱার ওন দ্রগস

### হৌদোংনা ঙা চারি, য়েংলি ?

চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংবা অহানবা লৈঙাক মার্চ ১৫, ২০১৭তগী লৈরকখিবনি। লৈঙাক্তু লৈরকখিবগা পন্থদনা থংনবা চহী ২০১৮দগী 'ৱার ওন দ্রগস' কী কেম্প্যেন হৌরকখিবনি। ইল্লিগেল দ্রগকা মরী লৈনবা মখল কয়াগী থবক-থৌরম (এক্টিভিটি) শিং থিংনবা/তৌহন্দনবা মথৌ তাবা 'নার্কোটিক দ্রগস এন্দ সাইকোত্রোপিক সবষ্টেন্সেস' (এন দি এন্দ পি এস) এক্ট লৈজে। মপাঙ্গল কল্লবা এক্টসি ৱার ওন দ্রগসকী কেম্প্যেন চথরল্লকগা মসিগীদমক শেমখিবা নত্তে। ময়াই কাবা ইল্লিগেল দ্রগশিংগী মায়োক্তা অখন্নবা লানসি শোক্নরক্ত্রিঙৈ মমাঙদগী লৈরল্লবনি। অদুগা এন দি এন্দ পি এস এক্টপু মতেং পাংনবা আই পি সীগী মরী লৈনবা সেক্সন কয়াসু লৈরিবনি। অদুবু পূন্নমকসি হান্নদগী হৌনা লৈজরল্লকগসু খরগা হেন্না মথৌ শঙলবা অকনবা লান অমা শোক্লদবা য়ারক্তবদগী হৌজিক চপ মান্নবা চীফ মিনিষ্টরনা লুচিংবা অনীশুবা লৈঙাক অমুক হৌরল্লবা ফাওবদা কেম্প্যেনসি মখা শমথরক্লিবনি, হেন্না পাকথোক চাওথোকহল্লক্লিবনি। মসিমক তঙাই ফদনা 'নীদ ওফ দি অৱর' ওইরকপদগী তৌদবা য়ারক্তদুনা তৌরক্লিবনি। তৌফমসু থোক্লিবনি। অদুগা শোক্নরক্লিবা লান অসিবু মায় পাক্তুনা ইল্লিগেল দ্রগশিংগী মায়োক্তা পজেং ফিরাল থেৎপা ঙম্নবগীদমক্তসু মথৌ তাবা থবক থৌরম কয়া পাঙথোরকখ্রে। মখা তানা মথৌ তারল্লকগা লেপ্তুনা পায়খৎখিগদৌরিবনি। উরিপোক চৈরাপ কোর্ট কমপ্লেক্সতা ইল্লিগেল দ্রগশিংগী কেসকা মরী লৈনবা ৱায়েলশিং চখনবা এন দি এন্দ পি এস এক্ট খক্তগী ওইবা স্পেসল ফাষ্ট ত্রেক কোর্ট অমা ফাওবা নৌহৌননা লিংখৎতুনা মথৌ তৌহল্লক্লি। অনৌবা ফাষ্ট ত্রেক কোর্ট অসিসু হান্নদগী লম্ফেল কোর্ট কমপ্লেক্সতা লৈরক্লিবা এন দি এন্দ পি এস এক্টকী স্পেসল কোর্টকী মথক্তনি। দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈরিবা সেসন্স জজশিংদা এন দি এন্দ পি এসকী কেসশিং পায়বা য়াবগী অয়াবা পীরকপগীসু মথক্তনি।

অদুবু লৈঙাক্না চত্থরক্লিবা ৱার ওন দ্রগসকী লানসি মায় পাক্লবগীদমক লৌখৎলকপা অনৌবা থবক ময়ামসু লৈরি। সিভিল পুলিস খক্তা নত্তনা মণিপুর রাইফলস অমসুং ইন্দিয়া রিজর্ভ বট্টালিয়ননচিংবগী ওফিসর অমসুং পর্সনেলশিংদা ফাওবা ইল্লিগেল দ্রগশিং ফাবগী অয়াবা পীরে। পোপি পাম্বী থারোই, থারকপসু থিংগনি, থাহল্লোই হায়দুনা চোংথোরকপা ভিলেজ ওথোরিটিশিংগী মনুংদগী খনগৎলগা লুপা লাখ ১০গী মনা ফাওবা পীদুনা তরাম্না ওকখ্রে, পূক্লিং থৌগৎখ্রে, ইকায়খুম্নবা উৎখ্রে। পোপি পাম্বী থাবগী মহুত্তা হিংবদা তঙাইফদনা চঙবা পোৎলমশিং ফংনবগীদমক অতোপ্পা শেন্থোক লৈবা মরু-মরাংশিং থাননবা য়েন্থোকপা হৌখ্রে। য়াল্লবা ইল্লিগেল দ্রগশিং মশীং য়াম্না ফাগৎপা ঙম্বা দিষ্ট্রিক্ট পুলিস, ওফিসর অমসুং পর্সনেলশিংদসু শেলগী মনাশিং পীখ্রে। হায়বদি হৌজিক ফাওবদা চহী মরি হেঞ্জিল্লল্লবা লান অসি মপূং ফানা মায় পাক্তুনা মণিপুরদগী ময়াই কাবা ইল্লিগেল দ্রগশিং মৰূ ফংনা মূত্থৎনবগী পান্দমদা লেপ্তুনা চঙশিল্লক্লি হায়বনি। অচৌবা অমসুং অকনবা লানসিদা মীয়াম হুপ্নসু মতেং পাংশিল্লকপদগী হৌজিক্তি মায় পাকপরোমদা নকশিন্না চঙশিল্লল্লবনি। মসি পূন্নমক চীফ মিনিষ্টরগী অকনবা হোৎনজমনদগীনি। মরী লৈনরিবা চীং-তমগী মীয়াম অমসুং লোয়শঙশিংগী থৌমীশিংনসু মতেং পাংশিল্লকপদগীনি। য়াম্না ফবা অচুম্বা খোঙথাংনি। অদুবু হৌজিক লানসিনা মায় পাকপগী লানফম ময়ায়দা লেপ্পা ঙন্নল্লবা তাঞ্জাদা মণিপুরদগী পুরকপা লুপা ক্রোর কয়াগী মমল ওইগদবা ইল্লিগেল দ্রগশিং য়ূমথংনবা ষ্টেট নাগালেন্দ, অসামদগী হেন্দোরক্তুনা মেঘালয় অমসুং অতোপ্পা ষ্টেটশিংদা হেক হেক ফাগৎপগী থৌদোকশিং থোরকপসিদি মণিপুরবু মরু ওইনা চত্থরক্লিবা ৱার ওন দ্রগসকী লান্মীশিংবু লুকমাইদা হাপ্তুনা য়োনবনি। মীমাঙদা শংবাই ফম্বগী ফীভমদুনি হায়দবা য়ারোই। অসিগুম্বা থৌদোকসি মেঘালয়দা নবেম্বর ১৭-১৮, ২০২২গী লোন্নবা অহিংদসু থোকখি। মসিনা অহানবা নত্তে। অরোইবা ওইদবসু য়ারি। অরোইবা ওইখ্রবুদি চাংদমনীংঙাই লৈতনা ফৈ। লান মায় পাকপগী মনুং চনগদৌরিবনি। মরম অসিনা ইল্লিগেল দ্রগশিং পুশিল্লকপা, য়োনবা, চাবা, শুংবা, পুথোকখিবা য়াওনা পোপি পাম্বী থাবনচিংবগী মতাংসিদদি 'ইন্টল্লিজেন্স সোর্স' শিং পাক-শন্না মপাঙ্গল কলহনবগী তঙাইফদবা লৈ। শেল তিংজসনু, লেম পানা থাদৌ। শেলদি তাল্লগা ফংনি। মাঙখিবা থৱায়শিংদি হল্লকহনবা য়ারোই। কুইশিল্লল্লগা হৌদোংনা ঙা চারি, য়েংলি হায়বগী ফীভম তাহল্লকপা চুল্লোই।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৪

১) **''ওইরগদ্রা অরোইবা''** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং মসিগী অইবা কনানো?

২) **''ৱৎসনিংথৌ উদয়ন''** হায়বা লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল অইবদু কনানো অমসুং মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

৩) **''ক্লিওপাট্রা অপাম-নুংশি লাংথাকপী''** হায়বা লাইরিকসিগী অইবা কনানো?

৪) ''খেন্দে নিংথৌ হাওতক লাইবনা হান্না লীরি থম্মোয় তিং লকা তেনমৈ লাকনা কোরৌ নোং-ও য়েংও, মালেম লৈ ও খঙঙো। হৈরেম ইপল লম নঙ চুম্মো হায়না ৱায়রা তেন্থাববু শোয়রেন ফুমি তূনা তেনবাল্লে। চাইরেন নিংথৌ য়াফুরাকপনা লীরি থম্মোয় তিং লকা তেনমৈ পায়না কোরৌ নোংও য়েংও মালেম লৈ ও খঙও, হৈরেম ইপল লম নঙসুঙ চুমও হায়না ৱায়রা তেন্থাবদি খেন্দে নিংথৌ হাওতক লাইবগী ফৈরা মতান পাংমা তুরে।'' ৱাহৈ পরেং অহুম অসি কদাইদগী লৌথোরকপনো?

৫) **''ৱারেপ''** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ৩০, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# মণিপুর সঙাই ফেষ্টিবেল লাকপদা

**হেক্তা হায়নীংলকই - ৭২৮**

**জিতেন নামৈরাকপম**

ফুটবোল লভরশিংনা খৌরাংনা ঙাইনবা চহী ৪/৪ খুদিংগী ফিফানা পাঙথোকপা ৱর্ল্ড কপ ২০২২ কটারদা হৌদোকখ্রে। অহৌবা নুমিৎতা ইন্দিয়ন ষ্টেন্দর্দ টাইমদা নুমিদাংগী পুং ৯.৩০দা য়ূম্বু কটারগা ইক্বেদোরগা হৌদোকখিবা ওপনিং মেটচতা ইক্বেদোরনা য়ূম্বু কটারবু গোল ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে। অহৌবা নুমিৎতা হোষ্ট কটারগী ওইনদি নীংবা কায়বা হায়বদু ওইখি। লেমহৌরিবা অতোপ্পা মেটচশিংদা কন্না অরৈবা থাক্তা হোৎনরকপগী আশা অমদি লৈরি। তৌবতবু গ্রুপ এদা পুল্লিবা সিনেগল অমদি নেদরলেন্দ অকনবা টিম ওইবনা পংলায়দি লায়রোইদৌরি।

ৱর্ল্ড কপ হেক হৌরকপদা জ্বারগী ৱাফম হেক্তা মরাকই। নহাদগী হৌখ্রে শেল থান্নবা। শেল থানবগী পাউসু মথং মথং হেক্তা ফাওনখি। শেলসু খূৎথা লাকথা অমনি। ওপোনেন্ট টিম অনী থোইবা-পোবা থানবগী মহুত্তা দ্রো চৎকনি, গোল অমা থাবিরগে, পুময়ান, লিশীংদা চামঙা ইল্লু, নুমিদাংৱাইরমদগী ঙুরুং-ঙুরুং মখোয় মশেল জ্বারগী লাল হৌখ্রে। অসিদসু নত্তে শেল থানবসিসু মওং অমা তৌখৎলক্লি। কোর্নর কিক কনানা ইহান হান্না তাগনি। ওফ সাইদ করোম্না হান্না তাগনি, করম্বা গোল কিপরনা বোল ইহান হান্না পায়গনি অসিগুম্বা ঙাক্তনি। বোল য়েংন-য়েংনা জ্বারসি হায়ফেৎ য়াম্না পাম্নবগী ৱানি। ফাগি ফাগিদগী লুপা লাখ লাখ থান্নবা য়াওরকখিবনি। হৌজিক্তি শেল মচা ওইনা তৌরি। স্পোর্টসতা শেল তোরা তুনা মাঙনবা থেংনখ্রে। মসিমক্তি অফবা থবকনি হায়নীংদে।

স্পোর্টস বেট্টিং তৌনবা লাইচুরবা মীগী মশীং ৱাৎপা লৈতে। বোল য়েংবা নুংঙাইনবা অথোইবদা, অপোবদা দাও য়েংবা ওইনা লুপা চাম্মা অমা করি অমা থানবদগী হেন্দোক্তুনা শেঞ্জাও থানবা য়াওরি। ক্রিকেট মেটচশিংদসু মঙাই শেল চাউনা চাউনা থানবদগী য়াম্না য়াম্না মাঙনবা, খোকখিবদা কোক শান্নবা থেংনরুবদা নুংঙাইতবা ফাওই। হন্দক্কী ৱর্ল্ড কপ অসিদি মেটচ অয়াম্বা ঙন্না ঙন্না য়েংবা ফংলগনি। অহিং অথেংবদা য়েংবগী খুদোংচাদবা লৈররোই খল্লি। নহান্দগী হৌখিবা ফিফা ৱর্ল্ড কপ অসিগী অরোইবা ফাইনেল মেটচ দিসেম্বরগী তারিখ ১৮দা কটারগী লুসাইল ষ্টেদিয়মদা থা ১ রোম চূপ্না শান্নরকপগী অরোইবা নুমিৎ ওইরগনি।

ফিফা ৱর্ল্ড কপ ২০২২ হেক হৌখিবগা ১১শুবা সঙাই ফেষ্টিবেল হৌদোকপগা থংননা তাররে। কোভিদ পেন্দমিকনা মরম ওইরগা কুমজা ২০২০ অমদি ২০২১ চহী ২ থংননা পাঙথোক্লুদ্রবা মতুংদা মোইরাং খুনৌদা নৌনা শেমগৎপা সঙাই এথনিক পার্কতা হৌদোকখিবা অসিদা মপান লমদগী শক্লাইরবা মীওই কয়াসু শরুক য়ারি। অসিগীসু মথক্তা ফোরেনর টুরিষ্ট কয়া অমসু ফেষ্টিবেল অসিবু য়েংবা লাক্কদৌরি। হন্দক্কী সঙাই ফেষ্টিবেল অসিদি মফম ১৩দা পাঙথোক্কদৌরি। মণিপুরদা পাঙথোকপা খ্বাইদগী চাওরবা কুম্মৈ ওইরগনি। ব্রো এন্টলর্দ দিয়র, এনদেঞ্জর ওইরবা মালেমগী মফম অমত্তদা ফংদবা শুপ্নতগী মণিপুরগী কৈবুল লমজাওদা ফংবা শজি মখল অসিবু মুৎখিদনবা থিমদা পাঙথোকপা ফেষ্টিবেল অসিদা মীয়াম হুপ্না শৌগৎপা তঙাইফদে।

মণিপুরগী সিনিক ব্যুটিদি ফজবদা থাবগী লোইবা নাইররোই। অদুনবু স্বেল ওফ ইন্দিয়া, স্বিটজরলেন্দ ওফ দ ইষ্ট হায়বগী মীংথোল পীরল্লবনি। ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংদগী মণিপুরদা কোয়রকপা টুরিষ্ট নৎত্রগা ফোরেন্নর কাঙবুসু ওইসনু লোক্তাক পাৎকী ফজবদা শুমহৎখিবা মক্তনি। সেন্দ্রা চীংথক্তগী অকোয়বদা উবা অকোয়বা ফুমদি, হি হোনবা/হোনবীশিং, ঙা ফাবা, লোক্তাক পাৎকী ঈমাইথক্তা য়ৈরকপা নুমিৎকী মশেক মঙাল ঙাওরোইদৌবা কনা লৈবগে? লোক্তাক পাৎখক্তগী নত্তবীদা টুরিষ্ট স্পোট কয়াসু লৈরি। টুরিষ্ট ফোরেন্নরশিংগী মবুক পেন্নবা গাইদশিংনা ফজ-ফজরবা মফম কয়াদসু য়েংহন্নবা শেম শাখ্রে। মণিপুরগী লোকল ফ্লৱর, এক্সোটিক ওইবা চান-থল্লবা চিঞ্জাকশিংসু ষ্টোলশিংদা ফংহনবদা নত্তনা কলচরেল ত্রুপ কয়াসু শরুক য়াগদৌরি। শন্না হায়রবদা মণিপুর টুরিজম দিপার্টমেন্টনা শীল লাংলিবা মফম ১৩দা পাঙথোক্লিবা ফেষ্টিবেল অসি মণিপুরদা ফংবা পোৎ খুদিংমক ষ্টোল ষ্টোলশিংদা ফংহনগদৌরি।



খ্বাইদগী ফরক তারক্কদৌরিবা অমনা ত্রাফিক জামগী মতাং অসিনি। মণিপুরদা ইম্ফাল ময়োল অমদি হাইদোকখিবদা ত্রাফিক জাম থোক্তববু করম্বা মফম লৈবগে। য়েৎ, ওই, মনিং-মমাঙ গাড়ীগী গাড়ী মক্তনি। ত্রাফিক পুলিসনা ফনা য়াম্নদি হোৎনৈ হায়ববু গাড়ীগী মশীং নোংম-নোংমগী হেনগৎলকপা মরম্না মফম খুদিংদা গাড়ী চিনবা হেনগৎলক্লি। নুমিৎ ১০নি চূপ্না পাঙথোক্কদৌরিবা ফেষ্টিবেল অসিদা তোঙান তোঙানবা ভেন্যুশিংদা মীয়াম্না য়েংবা লাকপগী চৎথোক চৎশিন্দা খুদোংচানবগীদমক ত্রাফিক রুল খরা হোংদোক হোংজিন লৈরগনি হায়না লাউথোকখ্রবসু গাড়ী চিনবগী চাংদি শুকহন হন্থররোই হায়বসিমদি শোয়দ্রবনি। ফেষ্টিবেল মমাঙদা নুংতি নুমিৎ খুদিংগী ত্রাফিক জাম থোক্লিবসিদা ফেষ্টিবেল মনুংদা য়েংবা লাক্লবা য়ূম য়ূমদগী থৌদোক্নরক্কদৌরিবা গাড়ী ময়াম অঙকপগী মশক ওইরগনি। মরম অসিনা য়ুনিফোর্ম শেৎপীরিবা ত্রাফিক পুলিস, পুলিস অমদি মরী লৈনবশিংনা জঙ্কসন খুদিংগী মেন পাৱর হেনগৎহনবীদুনা ফ্লো নাইনা স্মুথলি চৎহনবগী তঙাইফদবা লৈরি। অমরোমদা ওটোরিক্সো অমদি গাড়ী মচা থৌবশিংনা ত্রাফিক পোইন্টতা রেদ লাইট ঙাল্লিন্দৈদা লিখৎ-লিখৎতুনা থৌগৎলল্লগা জেব্রা ক্রোসিংদা খাম্বগী হৈনবীসিমত্তংগা থাদোক্লসি।

খ্বাইদগী চাওবা ফেষ্টিবেল ওইরিবা মণিপুর সঙাই ফেষ্টিবেলগী মাঙওইননা কদায়দনোমা বোম লৈরল্লে হায়বগী পাউসু তাখি। মদুমক্তি খ্বাইদগী লাইবক থীবনি। অসুক চাওরবা কুম্মৈ অসিবু শরুক য়াবা ফোরেন্নর টুরিষ্ট ৩৪০/৩৫০ রোম লাক্কদৌরিবা অসিদা লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম ফত্তবগী থৌদোক থোকহনগুমসি। মখোয়বু লুনা চান্না তৌবীদুনা পীকখ্রবা লমদম মণিপুরদা লৈরিবা ঐখোয়গী ফজবা, লূবা-নানবা উৎখিসি। করিগুম্বদা মওং তাদবা চাওখত্তবা মওং, ফীভম টুরিষ্টশিংদা উৎলুবা তারগদি মথংগী ফেষ্টিবেলদা অমুক হন্না লাকপগী ৱা লৈররোই। মরম অদুনা মায় পাল্লবা ফেষ্টিবেল অমা ওইহল্লসি হায়নীংই। ●

# ঈনাৎলা, মীনাৎলা য়োকখৎকদবসি ! - ৯৪

**ৱাখল ইহুল**

**সোরাম ইবোহল লুৱাং**

মসিদগী ঈনাৎ লাইনীং ঈহৌ মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা হোৎনরকপদা নমথনবগী পান্দমদা, কছার জারিবোন্দগী নবদ্বিপকী লাইফমদা লাই খুরুম্বা চৎপা মীওই খরনা পাউ তমশিল্লুবদগী গৌরাঙ্গ মহাপ্রভুগী কাঙবু অমগী লুচিংবা নরও ম মিশ্র কৌবা অমনা কুমজা ১৯৩৭/৪/৫দা ইখঙ খঙহৌদনা লাইনিংহল ফুলোবু উন্নবা লাল্লগা বাবুনা 'অপোকপা মরুপ'' লিংখৎতুনা গৌড়িয়া ধর্ম্মগী লাইনীং লাইশোনবু তাথী তাওইনা তৌরে হায়বগী মতাংদা লাইনিংহলনা ঈনাৎকী অরিবা লাইনীং লীচৎপু চেৎনা থাগোন্নজরগা মতিক চানা পাউখুম পীবদু তাবদগী পেল্লদুনা নরওম মিশ্রনা লাইনিংহনবু হন্না হন্না থাগৎলন্নগা নবদ্বিপ্তা হনখি।

মতম ইকান কান্নদনা মহারাজ কুলচন্দ্রগী মচা ইবুংঙো টিকেন্দ্র ধবজনা কুমজা ১৯৩৭/৪/২০ লৈবাকপোকপা নুমিৎতা নাওরিয়া ফুলোনা গৌড়া লাইনীংবু তাথী তাওইনা তৌরে হায়না খনবদগী ৱারক ৱাতেম্নবগী পান্দমদা নাওরিয়া ফুলোগী ময়ূমদা লাকখিবদা নাওরিয়াগী থোৎন মেঙলবা ফজবা নিংথিবা ৱাহৈ ৱাতানা অপোকপা লাইনীং ইমারোন্না লাইনীং লাইশোঞ্জবগা লোয়ননা ''মীতৈ লৈপাকপু মীতৈগী থৌঙম শাৎফম লাইরৈপাকনি'' হায়না শকপা ঈশৈগী শৈহেক শৈদা তাবদা পেনবদগী মচা ইবুংঙো টিকেন্দ্র ধবজনা কুমজা ১৯৩৭/৪/২৫দা নাওরিয়া ফুলোবু 'লাইনিংহল' হায়বা মিংথোল অসি পীবিদুনা ইকায় খুম্নবিরমখি। (ডা. পোৎসংবম রাজবিহারীগী ৱারেং, সঙাই এক্সপ্রেস-১/১২/২০২০)।

অসুম্না ইফুরুপসিবু কন্ননবগীদমক কয়া য়াম্না কথোকখিবগে হায়বগী মতাংদা - ''অসাম পুলিসকী থবক্তগী পোত্থাগদবা চহী ১৫ রোম ৱাৎলিঙৈদা তঙাইফদনা কুমজা ১৯৩১ মে থাগী ৬তা পুলিসকী থবক থাদোকখি। কুমজা ১৯৩০দগী ১৯৪১ হায়বদি তেল্লবা মতম চহী ১১ রোমসিগী মনুংদা ঈনাৎ লাইনীং লাইশোন অমদি লীচৎকা মরী লৈনবা লাইরিক ১৯ রোম ইরমদুনা অঙম্বা থাক্তা ফুরুপচাশিংবু থৌনা লিংজেল হাপ্তুনা ঈনাৎ ঈহৌ কনখৎহন্নবা হোৎনবিরমখি। লাইগী মতিক ময়াই চেনবা অয়াম্বা খরা পুন্সি চেংজেল তেনবা হায়বদুগী মওংদা লাইনিংহল নাওরিয়া ফুলোনা মশাগী চহী ৫৩ শুরকপা কুমজা ১৯৪১/৬/৩০, ইঙেনগী ৬নি পানবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা তাইবঙপাল থাদোক্তুনা লাইরমলেন্দা তিনখি। (সঙাই এক্সপ্রেস, ১৫/১২/২০২০, লাইনিংহল ফুলো (ফুন্দ্রে) গী খুদোলশিং, এন চাউবা, লাইনিংহল ত্রষ্ট)।

থমজনীংলিবা ৱাফমদি মখল মখলগী শাফুনা ঈনাৎ লাইনীং লাইশোন নমথনবা হোৎনরম্বগী য়াম্না ৱাবা তাঙ্ককশিং হৌজিক্তি লৈত্রবগুম্লে হায়বা য়াবা ফীভম ওইরল্লবনিনা ঈনাৎকী অশেংবা লাইনীং লাইশোন, লাইনীং লীচৎ, ঈরাৎ-ঈশোন তৌনবগী মথৌ তাবা মচাকশিং/কাঙলোনশিংসু অমত্তা ৱাৎতনা হান্নদগী লৈবনিনা - খুন্নাইসিগী খুন্নাইচাশিং ঐখোয়না অমত্তা ওইবগী ৱাখল পরিংদা ঐখোয় পূন্নমক পুনশিন্দুনা মমি শাম্লুরবা অশেংবা ঈনাৎ লাইনীং লাইশোন (রিলিজন) সিদা হঞ্জিন্দুনা নোংমা নোংমগী পাঙ্গল কনখৎহল্লসি।

লমদমসিদা মীরম লাইনীং চৎপশিংনা বিষ্ণু লাৎপগী মওংগা ইন্দিয়াগী নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংদা লাৎপা মওংদা মান্নদে হায়রম্বগী মতাংদা :-

কুমজা ২০২২, মে ১৫দা নেসনল মোন্যুমেন্ট ওথোরিটি (এন এম এ) গী চ্যেরমেন এস ঐচ তরুন বিজয়না নুমিৎ হুমনিগী খোঙচৎতা ইম্ফালদা লাক্লম্বদা চীংমৈরোংদা লৈবা হোটেল ক্লাসিক গ্রান্দেদা পাউমী খরগা উনবদা হায়রম্বা ৱাফম ''মণিপুরগী লাইশঙদা কৃষ্ণ অমসুং বিষ্ণু লাৎপগী মওং অসিসু নোর্থ ইন্দিয়ানশিংনা তৌরিবা মওং অদুগা খেন্নে'' হায়বসি চুমই হায়নীংই। হিন্দুশিংনা য়াম্না থাজনা লাৎনরিবা লাইশিংগী মনুংদা বিষ্ণু য়াম্না অচৌবা লাই অমনি। অদুবু মখোয়গীদদি ব্রহ্মা, বিষ্ণু, মহেশ্বর হায়না লৈরিবসিদা বিষ্ণুগীদি নূঙ ওইনা হায়বদি বিষ্ণু শলিগ্রাম কায়না হায়নবদু লৈবা য়োনবা/পিথোক পিশিন তৌবা য়াবগী মওংদা তৌরগা পামজবশিংনা ময়ূমদা করিদা লাৎনবসু থেংনবা য়াওই। অসুম্না লাৎপা মওংসিদি লৈপাক মীয়ামগীনি হায়না লৌবা য়ারোই খঞ্জে। হায়রিবা লাইসিদি লমদমসিদা নুংতি নুমিৎ খুদিংগী অচৌবা শঙলেন/মন্দির শারগা মতম নায়না থৌগল/সেবা চঙলগা লাৎলিবা গোবিন্দ/কৃষ্ণগুম্না মান্ননা লাৎতে/তৌদে হায়বা য়াই। হায়বদি তোঙান্না ফম্বাল অমা-কা অমা তোঙান্না থল্লগা লাৎপা উদে। য়াম্নদি মরু ওইবা হিন্দু মখোয়গীদি লাইনি। মীরমগীদদি খঙদে। লমদমসিদা বিষ্ণুবু অপান্ননা তৌবা অমদি অপোক্লোন শুবা/পাঞ্জিশিংনা কনাগুম্বা/কনাগুম্বী নমু তাইবঙ অমগী লাংফম/দশা-লাংফম হায়নবসি য়েংবদা ফৎলমদবা মতাংদা ইচম চম্না পোৎলম চৈরম খরা ইরগা বিষ্ণুদা কৎপীয়ু হায়না ইনবসি অদুম চৎনৈ। অইবা ইশানসু মীরম লাইনীং চৎপশিংগী মপোক মশাৎ/কোষ্ঠি/কুঠি হোৎতুনা য়েংবদা ফত্তবা মতাংগী লাংফম ফৎতবা য়াওরম্বা মতমদা, শ্রীবিষ্ণুদা প্রতিকার/ঙাক্লৌ ওইনা ফত্তবশিংদু ঙাকথোকপীয়ু হায়জৌ হায়দনা ইবগী চৎনবীদি লৈ। অতৈ মতমদদি নীংশিংদবগুম তৌবা উই।

নাকল অমরোমদা, মমাঙঙৈ ১৮শুবা চহীচা হৌরকপদা পানখিবা মৈদিংঙু পামহৈবা/গরিবনিৱাজগী মতমদগী মশাগী অকনবা/অহকপা য়াথং অমগী মখাদা মীরম লাইগী ইথিল হৌরকখ্রবা মতুং মশু ইবুংঙো চীংথংখোম্বা/রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রগী মতমদগীদি মীরম লাইনীং লাইশোনগী লমদমসিদনা মুকশন লাইনীং লাইশোন (মরমদি মথক্তা পঞ্জখ্রে) দা অচৌবা অওনবা কয়া লাকখ্রে হায়বসি মীরম লাইনীং লীচৎ পামজবশিংনা হেন্না ফজনা খঙলিপোৎনি। খুদম খরদং ওইনা পঞ্জরবদা - মীরমগী অশেংবা লাইফমশিংদা হকথেংননা খূৎনা থেংলগা খুরুম্বা য়াবা, কৎচনীংবা পোৎলমশিং কৎপা য়াবসি ঐখোয়গীসিদদি মুকশন লাইশিংগীদা য়াহন্দে। নাকলদা লেপহল্লগা ঙক পৈখি/ঙক্লি নাবগা লোয়ননা মিৎ শেপনা য়েংহল্লি, লাইমাং থৎপা, লমলানবা য়াদে হায়দুনা তৌহন্দে। মীরমগী অশেংবা লাইনীং লাইশোনসিগা মুকশন লাইনীং লাইশোনসিগা অনীগী মরক্তা অচুম অরানগী মরমদা করম্বনা ওথোরিটি ওইনা লৌগদগে খনবীয়ু।

মথক্তসু পঞ্জখ্রে মদুদি লাইনা নিংথৌ ওইবসি মুকশন লাই নত্তনা মীরমগী অশেংবা লাইদি নিংথৌ ওইদে। মালেমগী লৈবাক খুদিংমক্তা পীবাফম ওইবা নিংথৌ পানবা/পাল্লম্বা মফম খুদিংদা নিংথৌ অনী খমৱাংননা লৈনদে। নিংথৌ ওইরম্বদু শিরবদি মহুৎ শিনবা য়াবা, লমদমদুগী চৎনবী মতুংইন্না মহুৎ অমবু নিংথৌ ওইবসি চৎনবীনি। হায়রিবসিমক লৈঙাক্লোন খুদিংমক্তসু চৎনবদা নত্তনা উমংদা অমদি লৈঙাক্লা ঙাক শেল্লগা থম্বা ৱাইল্ড গার্দেনশিংদা লৈবা নোংশা ফাওবা নিংথৌ অমদগী হেন্না লৈতে নৎত্রবদি মখোয় মশেল হাৎতোক্লে, লোক অমদা কৈ অনী কুনবা/লৈবা য়াদে হায়নবসি হৌনশানি। মতাংসিদা য়াম্না নুংঙাইবা ৱাফম অমদি চীংথংখোম্বগী মঙদগী পুথোকপা গোবিন্দ/মীরমগীদনা কৃষ্ণ ওইবসিনা অমুক অনু মহাপ্রভু হায়না শক্লোন হোংলগা নবদ্বিপ ধামদা লৈখ্রবা মতুংদদি ইরমদম মণিপুর কৌরবা মফমসিদা নিংথৌগী চার্জ লৌরিবা গোবিন্দ/কৃষ্ণ অদুগা মীনাইনি হায়না খঞ্জরিবা লৈবাকসিগী চৎনবীদা মীগী নিংথৌ ওইবিনবা লৈত্রে হায়না লৌবা য়ারে। অদুবু মীনা মহুৎ শিল্লগা নিংথৌ ওইবগী চৎনবীদি লৈবনা ভাগ্যচন্দ্রনা শিখ্রবা মতুংদগী মথং মথং নিংথৌ ওইরকপনা নিংথৌ বুধচন্দ্রগী মতমদগীদি নিংথৌগী মতিক ময়াই ইনি দয়া লৈঙাক্লা লৌথোকখিরম্মী। বুধচন্দ্র ফাওবদি হিন্দু লাইনীং/মীরম লাইনীং লৈরম্বসি মচাইবুংঙো ওকেন্দ্রজিৎকী মতমদগী মীরম লাইনীং লাইশোনগা মরী তৎনখিবগী মতাংদসু পঞ্জখ্রে। ●